# ইরাক্তা কার বোম পোকখাইবদা মী ১৩ শিরে



*বাগদাদ, জনুৱারি ১২ঃ* বাগদাদতা ঙসি অয়ুক লম্বী চৎপা মীওইশিংদা পান্দম তৌদুনা পোকখাইহল্লকখিবা কার বোমশিংনা য়ামদ্রবদা মীচম ১৩ হাৎখ্রে হায়না ওফিসিয়েল ওইবা পাউ অমনা ফোঙদোরক্লি।

ইরাক্কী ফোর্সশিং অমদি ইরাক্কী কোনুংগী নোংচুপলোমদা লৈবা অলকাইদাগা মরী লৈনবা মিলিটেন্টশিংগা কন্না খুৎ থোক্লবগী শরুক অমা ওইনা ঙসি তোঙান–তোঙানবা থৌদোক অনিদা কার বোম অনি পোকখাইরকখিবনি।

সেনিয়ার অমেরিকান ওফিসিয়েল অমনা ইরাক্তা মকোক থোংবা পোলিটিকেল লিদরশিং উন্নদুনা হৌজিক ওইরিবা ফিভম অসি লোইশিলহন্নবা খন্নবগী নুমিৎ হুম্নিগী খোঙচৎ অমা হেক লোইশিনখিবা মতুং নোংমা কোনবদা থৌদোকশিং অসি থোকখিবনি।

ময়াই থংবা বাগদাদতা অলাৱি এরিয়াদা লৈবা বস ষ্টেসন অমগী মপান্দা বোম থন্না য়াওরবা কার অমা পোকখাইরকপদা খ্বাইদগী হেন্না মীশি মীনা য়াওবা থৌদোক অমা ওইনা মীওই ৯ শিরগা ১৬ শোকখি হায়না পুলিস ওফিসিয়েল অদুনা ফোঙদোরক্লি।

বস ষ্টেসন অদু নুমিৎ খুদিংগী মীওই লিশিং কয়া চখোক–চৎশিন তৌনবা ওমশিন্নবা মফমনি। হৌখিবা শগোলশেলদসু মশা শিজবা বোম্বর অমনা বোমগা লোয়ননা পোকখাইমিন্নদুনা মী ২৪ রোমগী পুন্সি মাঙহনখিবনি।

অতোপ্পা থৌদোক অমদনা খামদুনা লৈবা বোম য়াওবা কার অমনা বাগদাদকী অৱাং থংবা হুরিয়াদা বস অমদি টেক্সিশিংগী মরক্তা পোকখাইরকপদা মীচম ৪ শিরগা ১২ শোকখি হায়নসু পুলিস ওফিসার অমনা ফোঙদোরকখি।

মেদিকেল ওফিসিয়েল অনিনা অশিবগী মশিং অসি কনফার্ম তৌরে। ইজরেলগী সিক্যুরিটি ফোর্সশিং অমদি মখোয়গী মপাং ওইনবা সুনি ত্রাইবেল মিলিসিয়াশিংনা অনবারদা লৈবা অলকাইদাগা শম্নবা মিলিটেন্টশিংগা মরুওইবা মফম খরা লৌশিন্নবা কন্না লাম্থেংনরিঙৈ চৈরক্তা ঙসিগী পোকখাইবগী থৌদোকশিং অসি থোকখিবনি। হৌজিক–হৌজিক ইরাক্কী ফোর্সশিংনা ইরাক্কী গভর্নমেন্টপু য়াদবা মিলিসিয়াশিং অমদি ত্রাইবেল ফাইটরশিংগী মখুৎতগী ফালুজাহবু অমুক হন্দোক্লবা কন্না হোৎনরি। প্রোভিন্সিয়েল কেপিটেল ওইবা রামাদিসু মিলিটেন্টশিং অমদি ত্রাইবেল ফাইটরশিংনা শরুক খরা পায়রিবনি। মফম অসিগী অকোইবদসু ঙাইহাক লৈতনা নোংমৈ কাপ্পবগী থৌদোকশিং থোকই হায়নসু লিখুন অমনা ফোঙদোরক্লি।

পনবা য়াবদি হৌখিবা দিসেম্বর ২৮ দা টেরোরিজমগী মরালদা সুনি লো মেকর অমা ফাখিবা অদুগা গভর্নমেন্টপু য়াদবা রামাদিদা লৈবা সুনি প্রোটেষ্ট কেম্প অমদা গভর্নমেন্টনা তকখাইখিবা মতুংদগী হৌজিক ফাওবা মিলিটেন্টশিং অমদি সিক্যুরিটি ফোর্সশিং ঙাইহাক লৈতনা খুৎ থোক্লবদা মী ৬০ হেন্না শিখ্রে। বাগদাদতা লৈবা য়ু এস এম্বেসিগী চেরোল অমদা হায়বগী মতুংইন্না য়ু এসনা ইরাক্কী গভর্নমেন্টতা মথৌ তাবা অমদি চুনবা মতেং শোইদনা ফংহনগনি হায়বগা লোয়ননা অসিগুম্বা থৌরাংশিং অসিবু মায় পাকহন্নবা অতম্মনা শেমখিবা ষ্ট্রেটিজিক ফ্রেমৱার্ক এগ্রিমেন্ট অমগী মখাদা মতেংশিং অসি পীগদবনি হায়না ফোঙদোকখ্রে।

অদুবু ৱাশিংটননা ইরাক্তা অমেরিকাগী লান্মী থাবদি তৌরোইদৌরি। অদুগী মহুৎতা মীসাইলশিং অদুগা সর্ভিলেন্স দ্রোনশিং ওইনা থানবা থাজবা পীখ্রে।

# লিবিয়াগী কেবিনেট মিনিষ্টর সিরটেদা হাৎখ্রে

*ত্রিপোলি, জনুৱারি ১২ঃ* লিবিয়াগী দিপ্যুটি ইন্দষ্ট্রি মিনিষ্টর হাসন অল দ্রুইবু লিবিয়াগী কোনুং ত্রিপোল্লিগী নোংপোকলোমদা লৈবা সিরটেগী মহাক্কী লৈফমদা চৎখিবদা নোংমৈনা কাপ্পুনা হাৎখ্রে হায়না ওফিসিয়েল ওইবা পাউ অমনা ফোঙদোরক্লি।

লোকেল মেদিয়ানা হায়বগী মতুংইন্না মশক খঙদবা নোংমৈ পায়বা মীওইশিংনা সেন্ট্রেল মার্কেট অমগী মনাক্তা হাসন অল দ্রুইদা নোংমৈ মরু কয়ামরুম কাপশিন্দুনা হাৎখিবনি হায়বা ওফিসিয়েলশিংগী ৱারোল পল্লদুনা ফোঙদোকখি।

লিবিয়াগী ত্রাঞ্জিস্নেল গভর্নমেন্টকী মেম্বর অমা হাৎপা হন্দক্কী থৌদোক অসিনা ইহান হানবনি। ইং ২০১১ গী ওক্টোবরদা কর্নেল মুঅম্মর গাদাফিগী লৈঙাক ইন্থুখ্রবা মতুংদা লিবিয়াদা আইন লৈতবগী শাথিরবা ফিভম অমা ওইরকখিবনি।

হাসন অল দ্রুইবু করি মরমগী হাৎখিবনো হায়বা শেংনা খঙবা ঙমদ্রি। অসিগুম্বা মীহাৎশিং অসি বেনঘাজি অমদি দরনানচিংবা নোংপোক থংবা সিটিশিংদা ঙাইহাক লৈতনা থোকই। মফমশিং অসিদা মিলিটরি অমদি পুলিসকী মকোক থোংবা মীওইশিংদা ঙাইহাক লৈতনা পান্দম তৌরিবদু মফম অদুদা থবক তৌবা হকচিনবা এক্সট্রিমিষ্ট ইস্লামিক গ্রুপসশিংনা তৌবনি হায়না খন্নবনি। অল দ্রুই অসি নেস্নেল ত্রাঞ্জিস্নেল কাউন্সিলগী হান্নগী মেম্বর অমা ওইরম্বনি। ত্রাঞ্জিসনেল গভর্নমেন্টকী প্রাইম মিনিষ্টরনা দ্রুইবু থৌদাং অসি লৌনবা খল্লম্বনি।

ৱাফম অমনা লিবিয়াগী সিভিল ৱার মনুংদা কর্নেল গাদাফিবু লালহৌবশিংগী মখুৎতগী লোৎনবা হোৎনবদা ফাদুনা হাৎখিবা মতম অদুদগী হৌনা সিরটে অসি কন্না হাৎন–শুনবগী থৌদোকশিং লেপ্তনা চংখরক্লিবনি।

অমরোমদা লিবিয়াগী লান্মীশিংনা কর্নেল গাদাফি শিখ্রবা মতুংদগী তোঙান–তোঙানবা পান্দম মখাদা শেম্বা খুৎলায় পায়বা মিলিসিয়া লুপ ১৭০০ হেনবনা শক্তি পায়নবা মুন্নরিবনি।

হৌখিবা থাংজদসু খা থংবা সভা সিটিদা য়ানদবা ত্রাইবেল খুৎলায় পায়বশিং খুৎ থোক্লবদা য়ামদ্রবদা মীওই ১৯ শিখিবনি। লুপ অয়াম্বনা মখোয় মখোয়গী হৌরকখিবা মফমশিং অদু কন্ট্রোল তৌদুনা লৈনরিবনি। লুপশিং অসিগী মনুংদা খরদি অলকাইদাগা মরী লৈনবা মরমনা গভর্নমেন্টনা মখোয়বু নমথনবা হোৎনবদা মায় পাকপা ঙমদ্রিবনি। করিগুম্বা কান্দা গভর্নমেন্ট ফোর্সশিংনা মিলিসিয়াশিংগা পুন্না থবক তৌবসু য়াওই। লিবিয়া রিভোলুস্নরিজ ওপরেসন্স রুমনা হায়বদা মসিনা প্রাইম মিনিষ্টরবু ফাজিল্লে হায়না ফোঙদোকখ্রে।

সিটি অসিগী মিলিসিয়া লিদর ওইবা অদুগা ঔলাট সুলৈমান ত্রাইবকী মেম্বর অমসু ওইবা মীশক অমবু শেন্নবা বোদিকার্গদশিংগী মরক্তগী অমা হাৎলুবদগী খুৎ থোক্লবগী থবক অসি কনখৎলকখিবনি।

পনবা য়াবদি ইং ২০১২ গী মার্চতা নোংমৈ কাপ্পা লেপ্পনবা য়ানরোল অমা শেমখিবা মতুংদগী লিবিয়াদা ভাইওলেন্সগী থৌদোকশিং অসি ত্রাইবেল ফাইটরশিংগী য়াম্না হেনগৎলকখিবনি।

# ব্লেক রাইনো তানবগী পার্মিট য়ু এসতা ওক্সন তৌখ্রে

*দলাস, জনুৱারি ১১ঃ* মালেমদগী মুৎখিবা য়াবগী অকিবা লৈরবা অফ্রিকান ব্লেক রাইনো হায়বা লমশা মখল অসি শাদানবা য়াবগী পার্মিট অমা ঙসি দলাসতা দোল্লর ৩৫০,০০০ দা নিলাম লাউখ্রে হায়বগা লোয়ননা নিলাম অসি লম্লক্কী শাশিং য়োকখৎনবগী থৌরাং অমগীদমক ফন্দ তান্নবা পাঙথোকপনি হায়নসু ফোঙদোকখ্রে।




অদুবু শাদানবগী পার্মিট নিলাম তৌবা অসি লম্লক্কী ফিভম ঙাক শেন্নবা হোৎনরিবশিংনা কন্না য়ানিংদবা ফোঙদোকখ্রে।

ঙরাং অহিং মকা ফোঙদনা পাঙথোকখিবা নিলাম অসিবু স্পোন্সর তৌখিবা ষ্টিব ৱেগ্নর হায়বা দলাস সফারি ক্লবকী ৱাঙালোই অদুনা অফ্রিকাগী লৈবাক নামীবিয়াদা শাদানবা য়ানবগী পার্মিট অসি নিলাম তৌদুনা য়োনখি হায়বা কনফার্ম তৌখ্রে। অদুবু মহাক্না নিলাম ওকখিবা মীশক অদুদি তাকথোকউ হায়বা য়াখিদে।

সফারি ক্লব অসিগী একজিক্যুটিভ দিরেক্টর বেন কার্টরনদি নিলাম তৌবা অসিবু শৌগৎলদুনা হায়খিবদা মসিদগী ফংলকপা শেনফম পুম্বা ব্লেক রাইনো লমশাশিং ঙাক শেন্নবা থৌরাংদা থাদগনি হায়না ফোঙদোকখ্রে।

অসিদসু নত্তনা মহাক্না হায়বদা তানবা য়াহনগদৌরিবা শা অসিসু অহল ওইরবা মচা পোকপা ঙমদ্রবা শামুগন্দা লাবা অমখকনি। শামুগন্দা অসি য়াম্নসু শাওগল্লবা অদুগা অতোপ্পা লম্লক্কী শাশিংদা কিনিঙাই ওইরবনি হায়নসু মানা ফোঙদোকখি।

তৌগুম্বসুং ৱাইল্ড লাইফ অমদি এনিমেল রাইটস গ্রুপশিং য়াওনা ক্রিটিকশিংনা ঙরাং পাঙথোকখিবা নিলামগী থৌওং অদুবু কন্না য়ানিংদবা ফোঙদোকখ্রে।

এফ বি আইনসু ক্লব অসিগী মেম্বরশিংগী পুন্সিদা অকিবা পীরকপশিংগী মরী লৈননা থিগৎকনি হায়না ফোঙদোকখ্রে।

হ্যুমেন সোসাইটি অমদি ইন্টর্নেস্নেল ফন্দ ফোর এনিমেল ৱেলফেয়ারগী ওফিসিয়েলশিংনা হায়বদসু শাগী মশিং কা হেন্না য়ামখৎলক্লবদি হাৎপা হায়বসি চুনৈ। অদুবু ব্লেক রাইনো হায়বা শাশিং অসিদি মুৎখিবা য়াবগী খুদোংথিবা থাক অদুগী য়েংদুনা ঙাক শেনফম থোকই হায়নসু ফোঙদোকখি।

পনবা য়াবদা ইং ১৯৬০ গী চহিশিংদা লিশিং ৭০ ওইরম্বা ব্লেক রাইনোগী মশিংদগী হৌজিক মালেমগী লম্লক্তা লৈরিবা শা মশিং লিশিং ৪ দা হন্থরল্লবনি। সফারি ক্লব অসিনা হায়বগী মতুংইন্না নামিবিয়াদা হৌজিক ব্লেক রাইনো ১৮০০ লোম লৈরি হায়না ফোঙদোকখ্রে।

# সৈখ হসিনা ঙরাং ৱাশক লৌখ্রে



*ধাকা, জনুৱারি ১২ঃ* বাংলাদেশকী প্রাইম মিনিষ্টর ওইনা অহুম্লক শুবা থেঙ্খাংগীদমক থৌ পুনবা মীখলদা মায় পাকখ্রবী সৈখ হসিনা ঙসি ৱাশক লৌখ্রে হায়রি।

মীশি মীনানা থল্লবা মীখল অমদা মহাক্কী পার্টিনা চাওনা মায় পাকপদগী ঙসি মেম্বর ৪৮ লৈবা কেবিনেট অমসু ৱাশক লৌবদা য়াওখি।

প্রসিদেন্ট অব্দুল হমিদনা বঙ্গভবন প্রসিদেন্সিয়েল পেলেসতা সৈখ হসিনাবু ইহান হান্না ৱাশক লৌহনখি। ৱাশক লৌবগী থৌরম অদু গভর্নমেন্ট অমদি মিলিটরিগী মকোক থোংবা ওফিসিয়েলশিং, মীরৈবাক্কী এনভোইশিং, পোলিটিসিয়ানশিং অমদি সিভিল সোসাইটি লিদরশিং শরুক য়াখি।

থৌরমদা তিনখিবা মীয়ামগী অহৌবা খুবাক মখোল মরক্তা মশাগী চহি ৬৬ শুরবী সৈখ হসিনানা লৈবাক শিন থুংনা টেলিভিজনদা উৎখিবা থৌরম অদুদা প্রাইম মিনিষ্টর ওইনা থৌ পুনবা ৱাশক লৌখি।

মেম্বর ৪৮ না শাবা মহাক্কী কেবিনেটসু ঙসি ৱাশক্তুনা থবক পায়বা হৌখ্রে। পনবা য়াবদি মহাক্কী কেবিনেটতা মপুং ফাবা মিনিষ্টর ২৯, ষ্টেট মিনিষ্টর ১৭ অমদি দিপ্যুটি মিনিষ্টর অনি য়াওখি।

কেবিনেট অসিদা হান্না ওপোজিসনদা ফম্নবা থৌরাং তৌরম্বা এরসাদনা লুচিংবা জাতিয়া পার্টিগী মেম্বর খরসু য়াওখি।

# ইন্দিয়ানা কাপশিল্লকপদা অমা শোক্লে

*ইস্লামাবাদ, জনুৱারি ১২ঃ* পাকিষ্টান লান্মীগী লিখুনশিংনা হায়বদা পাকিষ্টানগী জান্দ্রোত সব–সেক্টরদা লাইন ওফ কন্ট্রোল মনাক্তা ইন্দিয়াগী লান্মীশিংনা কাপশিল্লকপদগী পাকিষ্টানগী মীওই অমা শোক্লে হায়না ফোঙদোরকখ্রে।

নুংথিল পুং ২.৩০ রোম তাবদা ইন্দিয়াগী জুমা পোষ্টকী লান্মীশিংনা কাপশিল্লকপদা জাফর মেহমুদ কৌবা মীচম অমা শোকখি। জাফর মেহমুদনা লাইন ওফ কন্ট্রোলদগী মিটর ২০০ রোম লানশিন্দুনা শীং থিবা চংলুবদা কাপশিল্লকপনি হায়রি।

গুজার কাংলুপকী মীওই ওইবা মেহমুদ অসি য়েৎথংবা পাম্বোমদা নোংমৈ মরুনা পানখিবদগী ফোরৱার্দ আর্মি মেদিকেল সেন্টরদা পুশিন্দুনা লায়কন্নখি। মহাক্কী ফিভম হৌজিক্তি ষ্টেবল ওইরে হায়নসু লিখুন অসিনা ফোঙদোরক্লি।

ইন্দিয়া অমদি পাকিষ্টান লৈবাক অনিগী দিরেক্টর্স জেনরেল ওফ মিলিটরি ওপরেসন্স (দি জি এম ওজ) অনিনা হৌখিবা থাদা মিটিং অনি পাঙথোকখ্রবা মতুংদা থৌদোক অসি থোকখিবনি। মিটিং অমনা পাকিষ্টান রেঞ্জর্স অমদি ইন্দিয়াগী বোর্দর সিক্যুরিটি ফোর্স (বি এস এফ) না এল ও সিদা শান্তি লৈহন্নবা য়ানবা অমসু লৈখিবনি।

অনিশুবা মিটিং অসিদা কনাগুম্বনা ফত্তবা ৱাখল য়াওদনা ঙমখৈ ৱাংমদা লানশিল্লকপা য়াওরবদি মরৈবাক–মরৈবাক্তা হলহন্নবা য়ানখিবনি।

অতোপ্পা পাউ অমনা পাকিষ্টানি পি এম এ গী এইদ অমদা চথরকপা এটেক অমদা মীওই ৫ শিখ্রে হায়রি। বোমগী এটেক চথরকখিবা অদু হান্নগী পার্লিয়ামেন্টরিয়ান অমসুং কেবিনেট এইদ ওইবা অমির মুকমগী কনভোইদা শংলা এরিয়া মনাক্তা থোকখিবনি হায়রি।

থৌদোক অদুদা মুকমদি অশোক–অপন য়াওদনা নাম্থোকহৌখি। অদুবু পোকখাইবা অদুদা মহাক্কী প্রাইভেট গার্দ অহুমগা পুলিস পার্সোনেল অনিগা শিখি হায়না দি আই জি অব্দুল্লাহ খাননা ফোঙদোকখ্রে।

# ‘ইন্দিয়াগী ঙামীশিং থাদোক্লোই’

*কলম্বো, জনুৱারি ১২ঃ* শ্রীলঙ্কাদা হৌজিক ফাদুনা লৈরিবা ইন্দিয়াগী ঙামী ২০০ হেনববু থাদোকখিরোই হায়বগা লোয়ননা লৈবাক অনিগী মরক্তা ইসু অমা ওইরিবা ঙামীশিংগী মতাংদা ইন্দো লঙ্কা ফিসরিজ টোক নিউ দিল্লিদা চয়োল অসিদা চথরবা মতুংদা মখোয়বু থাদোক্লবা ফিরেপ লৌরকপা য়াই হায়না শ্রীলঙ্কানা ফোঙদোরকখ্রে।

শ্রীলঙ্কাগী ফিসরিজ মিনিষ্টর রজিতা সিনেরত্নে চয়োল অসিগী মতুংদা নিউ দিল্লিদা লাক্তুনা ইন্দো লঙ্কা ফিসরিজ টোক পাঙথোক্লবা থৌরাং তৌরিবনি হায়বগা লোয়ননা ৱারী অদু শান্নদ্রিবমখৈ ঙামীশিংবু থাদোক্লোই হায়না শ্রীলঙ্কানা ফোঙদোকখিবনি।

অমরোমদা টামিল নাদুগী চিফ মিনিষ্টর জে ললিথানদি টামিল নাদুদা লৈবা কৈশুমশঙশিংদা ফাজিন্দুনা লৈরিবা শ্রীলঙ্কাগী ঙামী ১৭৯ বু থাদোক্লবা ওর্দর অমা থোকখ্রবা মতুং নোংমা কোনবদা শ্রীলঙ্কানা ৱাফম অসি ফোঙদোরকপনি।

সিনেরত্নে অমদি লৈবাক অদুগী লিগেল, নেভেল অমদি এক্সটর্নেল এফিয়ার্স মিনিষ্ট্রিগী ওফিসিয়েলশিংগী টিম অমা ইন্দিয়াদা লাক্তুনা ইন্দিয়াগী এগ্রিকলচর মিনিষ্টর সরদ পৱার উন্ননবা থৌরাং তৌরিবনি। সিনেরত্নেনা হায়খিবদা লৈবাক অনিমক্তা ফাজিন্দুনা থম্নরিবা ঙামীশিং মতম চপ মান্নন থাদোক্লবা য়াবা ৱারোইশিন অমা থিনবা হোৎনরি হায়না ফোঙদোকখ্রে।

মসিগী শরুক অমা ওইনা জনুৱারী ১৪ দা পাঙথোক্কদৌরিবা লৈবাক অনিগী ৱারী অসিগী মাঙওইননা শ্রীলঙ্কানা ইন্দিয়াগী ঙামীশিংবু থাদোক্লবা থৌরাং তৌরিবনি।

# ইজরেল্লিশিংনা সারোনবু ইকাই খুম্নবা উৎখ্রে



*জেরুসালেম, জনুৱারি ১২ঃ* মফম অসিদা লৈবা পার্লিয়ামেন্ট বিল্ডিংদা থম্লিবা মতম অমগী ইজরেলগী প্রাইম মিনিষ্টর ওইরম্বা এরিয়েল সারোনগী অশিবা হকচাংদা ইজরেল মচা লিশিং লিশিংনা ইকাই খুম্নবা উৎখ্রে। মহাক্কী অশিবা হকচাং হয়েং লৈরোন চনগনি হায়রি।

রাজনিতিদা খোঙদারক্তিঙৈদো ইজরেলনা শোক্লখিবা অচৌবা লানফম মরি লাম্থোং শিন্দুনা চাওনা মায় পাকহনখিবা ইজরেল লান্মীগী লুচিং পুরেলসু ওইখিবা মীশক অসিগী অশিবা হকচাংদা মালেমগী শক্লাইরবা মীওই কয়ানসু ইকাই খুম্নবা উৎনখি।

অদুবু লৈখিদ্রবা সারোনবু খ্বাইদগী কিনিঙাই ওইবা য়েক্লবা অমা ওইনা উখিবা পেলেষ্টাইন মচাশিংদি মহাক লৈখিদবদা হরাওবা ফোঙদোক্লখ্রে হায়রি।

মহাক্কী অশিবা হকচাং অদু লৈখিদ্রবী মহাক্কী লোয়নবীগী মোংফম হেক নাকলদা লৈরোন চনগনি হায়রি।

পনবা য়াবদি ইজরেল লৈবাক শেন্লকখিবা মীরোল অমগী মরুওইবা মীশক অমা ওইবনা এরিয়েল সারোন অসি মহাক্কী রাজনিতিগী মরমদা থোইনা খন্দবা মীশিংনসু অৱাংবা থাক্তা ইকাই খুম্নবনি। কনভোই গ্যাডী পরেং অমনা মহাক্কী হকচাং অদু ত্রিফিন মিলিটরি বেজদগী ইজরেলগী পার্লিয়ামেন্ট তম্না ঙসি পুরক্লগা পার্লিয়ামেন্টকী গার্দশিংনা মহাক্কী হকচাং য়াওরবা কু অদু পোদিয়ম মথক্তা থমখিবনি।

# অরুম্বা হন্থনবা পোরম ৫

*মীওই অয়াম্বনা মীনা হেক য়েংবদা পুক্নিং চিংশিন্নিঙাই ওইবা তনাপ–তনাপ্পা হকচাং অমা ওইনিংই। অদুমকপু ফনা কন্না হোৎনদুনসু হকচাংগী অরুম্বা হায়বসি হেনগৎখ্রবদি হন্থহনবা য়াম্না ৱাই। অদুবু ৱাই হায়দুনা থোইদোক্লা নুংশা থিনিঙাই লৈতে। লাক্লিবা অনৌবা চহি অসিগী মনুংদা ইশাগী অরুম্বা হন্থহনবা ঙম্বা খ্বাইদগী ফবা পোরম ৫ দি চরা ৱানবা, হৈ চাবা, ফজনা তুম্বা, চনিং তানা চাবা অমদি তৌগদবা শাজেল খঙদোকপা অসিনি। নুমিৎ খুদিংগী চরা ৱানবনা অরুম্বা হন্থহনবদা মতেং পাংই। অদুবু কনাগুম্বা খরনদি চরা ৱান্দবনা কেলোরি হন্থে হায়না খল্লি। মসি অরানবনি।*

*নোংমদা হৈ অনিরক্তগী তাদনা চাবা ফৈ। হৈশিংদা ফেট য়াওদে। মহিনা নম্না য়াওই। মরম অসিনা পুক থনবগী ৱাখল মতম কুইনা লৈহন্দুনা মপং ওইবা চিঞ্জাক চাবা হন্থহল্লি।*

*নুংঙাইনা তুম্বা অসিসু হকশেলগীদমক য়াম্না মরুওইবা অমনি। অদুনা ইশাগী কেলোরি মপুং ফানা চাকথোকহনগে হায়রবদি অহিং অমদা পুং ৮ দগী তাদনা তুম্বা ফগনি।*

*অমরোমদা চনিং তানা চাবা অসিসু য়াম্না মরু ওই। চারিঙৈদা টি ভি য়েংদবা অদুগা পুক্নিং ফৈদোকহনবা য়াবা করিগুম্বা অমত্তা তৌদবা চুম্মী। অসুম্না তৌরবদি হেন্না চাশিন্নবগী মরম ওইহল্লি।*

*শাজেল তৌবা মতমদসু ইশা–ইশাগা খ্বাইদগী চুনবা শাজেল খঙদোক্লগা তৌবা চুম্মী। হৈনিংদবা শাজেল পরেং অমা রুটিন ওইনা শেমদুনা চখবদা কান্নবা ফংলোই। চাং নাইনা লিশাং শিংনা শাজেল চখবসু ঙম্লোই। মরম অসিনা নশাগী মনুং মপাল অনিমক্তা শোকহল্লোইদবা অদুগা অরুম্বা হন্থনবা খ্বাইদগী ফবা শাজেল অমা চাং নাইনা অকনবা পথাপ য়াওদনা চখবনা ফৈ।*

# লাঙ্গোই চনখ্রবা সিরিয়ানশিংগীদমক য়ু এননা নুংনাংলি



*য়ু এন, জনুৱারি ১২ঃ* সিরিয়াদা গভর্নমেন্ট অমদি রিবেল ফোর্সশিংগা থা কয়ামরুম খুৎ থোক্লরকপদগী চখোক–চৎশিন য়াদনা লৈখ্রবা সিরিয়া মচাশিংগী ফিভমগীদমক য়ু এন হ্যুমেনিটেরিয়ান এফিয়ার্সকী চিফনা নুংনাংবা ফোঙদোকখ্রে।

চিফ অসিনা সিরিয়াগী কোনুং দমাস্কস য়াওনা মফম কয়ামরুমদা মীয়াম চরা হেনবগী ৱারী তারে হায়নসু ফোঙদোকখ্রে।

সিরিয়াদা হৌজিক লৈরিবা হ্যুমেনিটেরিয়ান চিফ, ভেলেরি এমোসনা হায়বদা মীয়ামদা মতেং পীবা য়ানবা গভর্নমেন্টকা মহাক্লা ৱারী শানরে হায়না ফোঙদোকখি।

নুমিৎ খুদিংগী ওইনা লৈবাক অসিগী ফিভম শাথিবা হেনঞ্জিল্লক্লি অমসুং মীয়ামনা অকিবগী মশক ফংনা অৱাবা নংবগী ৱারী নুমিৎ খুদিংগী হেনগৎলক্লি হায়নসু মহাক্লা ফোঙদোকখি।

সিরিয়াগী লমদমশিংদা হৌজিক ওইরিবা ফিভম অসি ঙাইহাক লৈতনা হোংই। অদুবু য়ু এনগী অরুবা চে অমা হৌখিবা চহিগী দিসেম্বর লোইরমদাইদা পাউগী এজেন্সি অমদা য়ুথোরকখিবনি। য়ুথোরকখিবা চেরোলশিং অদুদা হায়বগী মতুংইন্না সিরিয়া মচা মিল্লিয়ন অমগী শরুক ৪ থোকপগী অমা খরা হেনবদি কনামত্তনা য়ৌশিনবা য়ারোইদবা ফিভম অমদা লৈরে হায়না ফোঙদোকখিবনি।

নারবা অমদি শোক্লবা মীওইশিং মফম অদুদগী অমত্তা হেন্দোকপা য়াদ্রে। অদুগা ঐখোয়নসু মখোয়দা চান্ন–থক্লবা পীবা য়াদ্রে হায়নসু ভেলেরিনা ফোঙদোকখি।

ৱাফম অমনা মফম অমগী মীয়াম্থু চরা হেলহনবা হায়বসি সিরিয়াদদি ৱার ক্রাইম অমনি। লান ওইরবসু মায়গৈ অনিমক্লা চিঞ্জাক হায়বসি লানগী খুৎলায় ওইনা লৌই হায়নসু লিখুন অমনা ফোঙদোরকখি।

সিরিয়াদা হৌজিক চথরিবা খুৎলায় পায়বগী লালহৌ অসি ইং ২০১১ গী মার্চতগী হৌরকখিবনি। অদুগা য়ু এননা হায়বগী মতুংইন্না লালহৌ অসিদা মীওই লাক্ষ অমা হেন্না শিখ্রবনি হায়নসু ফোঙদোকখিবনি।

অতোপ্পা লৈবাক ১১ গী ফোরেন মিনিষ্টরশিংনা পেরিসতা মিটিং অমা পাঙথোক্তুনা ইরাং অসি নেমথহন্নবা হোৎনরি।

# বাংলাদেশকী হিন্দুশিংদা এটেক চখবা লেপ্ত্রি

*ধাকা, জনুৱারি ১২ঃ* হন্দক বাংলাদেশতা পাঙথোকখিবা য়েৎনবনা থনখ্রবা মীখল অদুগী মতুংদা মীখল অদুগা মরী লৈনবা এটেক কয়ামরুম হৌজিকসু লৈবাক অদুদা লৈবা হিন্দুশিংগী মথক্তা চখবা লেপ্ত্রি হায়না লিখুন অমনা ফোঙদোরক্লি।

বাংলাদেশতা মাইনোরিটি ওইরিবা হিন্দুশিংগী লুচিংবশিংনা হায়বদা অসিগুম্বা তমথিবা থৌদোকশিং অসি গভর্নমেন্টনা এটেক্করশিংগী মথক্তা অকনবা থবক লৌখৎলবা মতুংদতা লেপকদবনি হায়না ফোঙদোকখ্রে।

বাংলাদেশ নেস্নেলিষ্ট পার্টি অমদি জমাট–ই–ইস্লামিগী থৌমীশিংনা এটেকশিং অসি চখবনি। হিন্দুশিংনা শৌগৎপদগী সৈখ হসিনাগী অৱামি লিগনা হৌখিবা জনুৱারী ৫ গী মীখল অদু পাক চাওনা মায় পাকখিবনি হায়না লৌবগা লোয়ননা ওপোজিসনগী বোয়কোটসু হিন্দুশিংনা শৌগৎতে হায়না পার্টিশিং অসিনা ফোঙদোরক্লি।

অইবা অমসুং অয়েকপা নোংলান




## SANALEIBAK SUDOKU

SANALEIBAK SUDOKU -122

Prepared by : ROGER -A

| | | | | | | | | |
|---|---|---|---|---|---|---|---|---|
| 4 | 6 | 3 | | | | | | |
| | | | | | | 2 | | 8 |
| | | 8 | | 6 | | | 5 | |
| | 4 | | | | 1 | | 9 | |
| | | | 5 | | 3 | | | 7 |
| 9 | | | | | | 6 | 8 | |
| | | | 8 | 1 | | | 7 | 6 |
| | | | 3 | | | 9 | | |
| | | | | | 9 | | | |

YESTERDAY SOLUTION

| | | | | | | | | |
|---|---|---|---|---|---|---|---|---|
| 7 | 9 | 1 | 2 | 6 | 5 | 3 | 8 | 4 |
| 2 | 5 | 8 | 3 | 9 | 4 | 6 | 1 | 7 |
| 6 | 3 | 4 | 1 | 8 | 7 | 5 | 9 | 2 |
| 1 | 7 | 2 | 8 | 5 | 3 | 9 | 4 | 6 |
| 9 | 4 | 3 | 6 | 7 | 2 | 8 | 5 | 1 |
| 5 | 8 | 6 | 9 | 4 | 1 | 2 | 7 | 3 |
| 3 | 1 | 5 | 7 | 2 | 9 | 4 | 6 | 8 |
| 4 | 6 | 7 | 5 | 3 | 8 | 1 | 2 | 9 |
| 8 | 2 | 9 | 4 | 1 | 6 | 7 | 3 | 5 |

**FILL THIS BLANK:**
*9 x 9 grid by using digits 1 - 9 without repeating in the same row, column, box or diagonal. The number already given cannot be changed.*